# মণিপুরদগী এ আর লৌথোক্নবা, অফস্পা রিপিল তৌদুনা দিমোক্রেসি কন্নবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদগী অসাম রাইফলস হন্দোকহনখিনবা অমসুং অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোক্তুনা দিমোক্রেসি অমসুং ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন কন্নবা তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াদা তকশিনখ্রে। লোয়নন্না ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা আই পি এস নুপী ওফিসার অমদা চথখিবা থৌওংদা চেন্নবা পার্সোনেলশিং অথুবদা এক্সন লৌনবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিল্লি।

নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরম (এন ই দি এফ)না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম এফিয়ার্স মিনিষ্টর, ষ্টেট মিনিষ্টর হোম এফিয়ার্স অমসুং ৱুমেন এন্দ চাইল্দ দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীদুনা মণিপুরদগী অসাম রাইফলস হন্দোকখিনবা অমসুং অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোক্তুনা দিমোক্রেসি কন্নবা তকশিনবগা লোয়ননা মণিপুরদা নুপী অমসুং মীচম কয়াগী মথক্তা অসাম রাইফলসনা চত্থখিবা হিংসাগী মতাংদা ইনবেষ্টিগেসন তৌনবসু মখা তানা তকশিনখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা ২০১৯ নবেম্বর ১৮ দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেংথাবীদা ১২ অসাম রাইফলসনা নুপী অমদা চথখিবা থৌওং অমদি চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দা নুপী আই পি এস ওফিসার অমদা চথখিবা থৌওং কয়া অদুগী মতাংদসু পল্লি হায়রি।

পিপল প্লেটফোর্ম সেক্রেটরিয়েৎ (পি পি এস) হট্টা মিনুথোংনা হোম মিনিষ্টর অমিট সহা অমসুং মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম জি কৃষ্ণ রেদ্দিদা তোঙান তোঙান্না থাবা চেরোল অমনা খুদেংথাবীদা লৈবা ১২ অসাম রাইফলসনা নুপী আই পি এস ওফিসার অমদা চথখিবা থবক থৌওং অদুগী মতাংদা চেন্নবশিং এক্সন লৌনবা তকশিনখ্রে। চেরোল অদুদা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৮ দা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদসু নীংথিনা পল্লি হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হৈরোক্তা লৈবা নিঙোল ক্লবনা অফস্পাগী মরুমদা এ আরগী লুজদবা লিচৎ অমা ওইনা নুপী খুন্নাইবু শীংনদুনা আই পি এস ওফিসার অমদা চত্থখিবা থৌওং অদু য়াম্মা লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল খুন্দোংবম সোফিয়ানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অফস্পা ১৯৫৮ গী মরুমদা য়ুনিফোর্ম শেৎপা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচম মীয়ামদা ওৎ-নৈবা, নুপী ওইবিগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবিখিবা অমদি কাওবা ঙমদবা থৌদোক কয়া লৈখ্রে। হন্দক্তসু থা অসিগী ১৯ দা খুদেংথাবী চেকপোষ্টতা দ্যুটি তৌবা ১২ এ আরগী পার্সোনেলশিংনা নুপী আই পি এস ওফিসার অমদা চত্থখিবা থৌওং অদু তরাইনা লৌবা ঙমদে। ৱাথোক অদুদা চেন্নরিবা পার্সোনেল অদু মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদা চেন্নবশিংগী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখৎতবনা মরম ওইরগা মখোয়না তৌনিংবতা তৌদুনা লাক্লি। করিগুম্বা লোগী মতুং ইন্না এক্সন লৌরম্লবদি অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক হেন্না থোক্লমদবসু য়াই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈবা এ আরগী চেক পোষ্টশিং ষ্টেট ফোর্সনা শিন্দোক্নবা হন্দক ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌবা খক্তা নত্তনা মণিপুরগী এ আর লৌথোকখিনবা ৱারেপসু লৌবিয়ু হায়না গভর্ণমেন্টকী পুক্নিং চিংশিল্লি। চেক পোষ্ট খুদিংমক মণিপুর পুলিসনা মহুৎ শিল্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখিবা অদুগীদমক নিংঙোল ক্লবনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি লোয়ননা কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদু চপ চানা থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বগী থাজবসু থল্লি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বোটানিকেল গার্দেন হাংদোকখ্রে

থৌবাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংখেম হুইদ্রোম লৈকাইদা লৈবা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সিয়েল কলেজগী নৌনা শেমগৎপা বোটানিকেল গার্দেন ঙসি হাংদোকপগা লোয়ননা ৱেবসাইট অমসুং হাংদোকখ্রে।

কলেজ অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী চিয়ারমেনসু ওইরিবা এক্স মিনিষ্টর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা বোটানিকেল গার্দেন অমসুং ৱেবসাইট অদু হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখি। থৌরম অদুদা মেনেজিং কম্মিটিগী ভাইস চিয়ারমেন ডা. এম রাজেন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু, সেক্রেটরী লাইশ্রম জোয়কুমার, প্রিন্সিপাল ডা. কেঐচ বুধচন্দ্র অমদি য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ইন্সপেক্টর রিয়াজ সহানা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না কলেজ অসিগী ২০১৫ বেটচকী মহৈরোয়শিংগী এলুমনি এসোসিয়েসন অমসু শেমখি হায়রি।

## প্রধান বন ধন যোজনাগী এদভোকেসি প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

তমেংলোং, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ ত্রিফিদকী মীৎয়েং মখাদা প্রধান বন ধন যোজনাগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এদভোকেসি প্রোগ্রাম তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা সিকনু ইনদা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা দিপ্যুটি কম্মিস্নর তমেংলোং আর্মষ্ট্রোং পামে আই এ এসনা হায়, স্কিম নৎত্রগা লোন সিষ্টেম অসিনা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা অনৌবা লম্বী অমা পীরগনি। মরম অদুনা হায়রিবা স্কিম অসি মায় পাক্না থবক্তা ওন্থোক্নবা ঐখোয় পূম্নমক্না হোৎনমিন্নসি। মেম্বর ১৫ দগী ৩০ ফাওবা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমনা চহী অমদা লুপা লাক্ষ ৮ দগী ১০ ফাওবগী বিজিনেস তৌবা য়াই। লোয়ননা চহীগী ওইনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমনা লুপা ক্রোর অমগী বিজিনেস তৌবা ঙম্বসু য়াই।

মহাক্না মখা তানা হায়, কৈথেলদা উহৈ ৱাহৈ অমদি মনা মশিংগী ওর্গানিক ওইবা চীঞ্জাকশিং অসি দিমান্দ য়াম্না লৈ। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খ্বাইদগী নৌবা মেছিন অমদি তঙাইফদবা মচাক মথুমশিং পীদুনা দিমান্দ অসি ফংনবা তৌরি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা মখোয়গী পোথোক অদু য়োন্নবগীদমক ৱানিঙাই লৈতে। ত্রিফিদনা য়োনবগী থবক তৌগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোক্লি।

থৌরম মপু ওইখিবা দি এফ ও তমেংলোং অরুন আর এসনা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন তৌরদুনা উমংগী পোথোক অমদি কৈথেলদা য়োন্নবনচিংবগী তৌফম থোকপশিং অদু নীংথিনা নৈনখি।

বন ধন স্কিম অসি মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ ত্রিফিদনা ২০১৮ এপ্রিল ১৪ দা হৌদোকখিবনি অমসুং মপূং ওইনা ট্রাইবেলশিংগী পোথোক হেন্না পুথোকপগা লোয়ননা মখোয়গী ইনকম হেনগৎহন্নবা হোৎনবনি। হায়রিবা স্কিম অসি সেন্ট্রেল লেভেলদা মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফিয়ার্সনা নোদেল দিপার্টমেন্ট ওইরি অদুগা ত্রিফিদনা নেস্নেল লেভেলদা নোদেল এজেন্সি ওইরি। এম এফ পিনা ষ্টেট লেভেলদা ষ্টেট নোদেল এজেন্সি ওইনা অদুগা দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিংনা গ্রাস রুট লেভেলদা স্কিম অসি থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক থৌদাং কয়া শিন্নরি।

বন ধনগী মখাদা ট্রাইবেল ৩০ গী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১০ শেমগনি। বন ধন বিকাস কেন্দ্র লিংখৎতুনা স্কিল অপগ্রেদেসন এন্দ কেপাসিটি বিল্ডিং ট্রেনিং পীবগা লোয়ননা প্রাইমারি প্রোসেস তৌনবা থবকসু পায়খৎকনি। ট্রেনিং অমসুং টেক্নিকেল সপোর্ট পূন্নমক ত্রিফিদনা ফংহনগনি হায়রদুনা লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা সেন্টর লিশিং ৩ শেমগৎনবা থৌরাংসু তৌরি।

এদভোকেসি প্রোগ্রাম অদুদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১২০ লোমগী খনগৎলবা ষ্টেট প্রসিদেন্ট নৎত্রগা সেক্রেটরীনা শরুক য়াখি হায়রি।

## য়ুথ ক্লব লীদরশিংগী ট্রেনিং হৌখ্রে

তেংনৌপল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
নেহরু য়ুব কেন্দ্র (এন ৱাই কে) চান্দেলনা শীন্দুনা কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট হায়বসিদা নুমিৎ হুম্নি চথগদবা য়ুথ ক্লবগী লীদরশিংগী রেসিদেন্সিয়েল ট্রেনিং ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লাইচিং মৈপৌ ভিল্লেজদা হৌখ্রে।

ট্রেনিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসার ডা. চিংদৈনিএংনা অথোইবা মীথুং, এন ৱাই কে চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর এন জি রামেসন মোন্সাংনা থৌরম মপু অদুগা মৈপৌ ভিল্লেজগী সেক্রেটরী মকুঙা মোথিলনা ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা য়ুথ ক্লবশিং অমসুং সিভিল সোসাইটিশিংগী য়ুথ লিদর ৬০ না ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ারি। ডা. চীংদৈনিএংনা নহারোল-শিংগী মরক্তা ঐচ আই ভি এইদসকী ইসু অমসুং মসিনা শোকহনবগী চাং মীপাইনিঙাই ওইরকপা অমদি মসিদগী ঙাকথোক্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা য়ুথ লিদরশিংগী মরু ওইবা থৌদাং কয়া পনখি হায়রি।

## মীয়ামদা খূৎশিন্নগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ হয়িংখোংবান উফোং য়ুম্ফম ইম্ফালনা শীন্দুনা সনামহী লাইনিংগী চৎন-কাঙলোন, সনামহী লাইনিং খুদম অমসুং ফিরাল মীয়ামদা খূৎশিন্নবগী থৌরম লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা লাইনিংথৌ সনামহি লাইশঙ হয়িংখোংবানগী ৱাশু শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না টেম্পল বোর্দকী মেদিয়া ইন-চার্জ মোইরাং মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্বগী মায়োক্তা চপ য়ুংনা লেপকনি ঃ নুপী সমাজ

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্বগী মাঙজবা মমাঙথক্তা খঙনখ্রবনি হায়বসি ঙসিগী গভর্ণমেন্টনা নীংশিংগদবনি, মীয়ামগী পুন্সিগা পৈশাগা মন্তিক্নবা য়ারোই, অদুনা মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্বগী মায়োক্তা চপ চানা লেপকনি হায়না ওল মণিপুর ৱুমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না ফোঙদোরক্লি।

নুপী সমাজগী জেনরেল সেক্রেটরী পি সোবিতানা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পাক শন্না য়ু শীজিন্নবা হৌরকপদগী খুন্নাই অসি লৈখা তারকপা, ইমুং মনুং কাংখোং চাইরকপা, য়ুদা লাইচুদুনা মনুং মতম চাদনা শিখিবা অসিনচিংবা কয়া থোকখ্রে। ঙসিসু থোক্লি। ইমুং মনুংগী মচা মশুগী থৌদা পাঙদুনা ইংনা চিক্না লৈজবা পামজবা মমা ওইবী কয়ানা থোকহন্নিংদবা ৱাথোক থেংনবা হেনগৎলকপদগী কুমজা ১৯৭০ হৌগৎলকপদা মমা ওইবী নুপী কয়ানা পুনশিন্দুনা নিষা বন্দিগী শক্লোন লৌরকখিবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা ১৯৭২ দা নুপী সমাজ পোক্লকখি। ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা লৌরকখিবা থৌদাংনা নিষা বন্দি হায়না মালেমদা শক তাকপা ঙমখিবদা নত্তনা অওনবা মণিপুর অমা পুরকপসু ঙমখিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ময়াই কাবা চীঙাক মখল কয়াগী ফত্তবা অমদি মীয়ামগী পুক্নিং ইথিলবু খঙদুনা ১৯৯১ দা মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন বিল ষ্টেট এসেমব্লিদা পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা চৎনবা হৌখি লোয়ননা মণিপুর দ্রাই ষ্টেটনি হায়না লাউথোকখি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসি পুকচেল শেংনা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনদবনা দ্রাই ষ্টেট ওইরবসু মফম কয়াদা য়ু মরাং কায়না য়োল্লি অমসুং ফংলি।

অমরোমদা বোন্দেদ ৱায়ার হাউস কয়া শেঞ্জাও পায়বশিংগা লৌতুনরগা শাহন্দুনা ফোংনা য়োন্নবা য়ুঙাং পৈফম শেমগৎলকপদগী মীয়াম্মা হৌরকখিবা ইহৌ ঙসি ফাওবা কাওনদ্রি। সিফাইশিংগী থক্নবা য়ুঙাং দিমাপুরদা বোন্দেদ ৱায়ার হাউস শাদুনা থম্লবসু ঙসিদি মখোয়গী মিংদা চাইথোরকপা য়ুঙাংনা মফম খূদিং ফংদবা লৈতে। অসিগুম্বা কয়া অসি লৈবনা মণিপুরদা য়ুঙাং পৈফম হাংদোকপদা শোকহনগদবদু করিসু খন্নদনা লুপা ক্রোর ২.৩১ কনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা য়ুঙাংগী গোদাউন থম্নবা থৌরাং তৌরকপা অসিদি মমা ওইবীশিংগী ইহৌ লাক্নবা বার্ত্তন তৌবনি হায়না লৌই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সি এ এফ এন্দ পি দি লেবরশিংগী খোঙজং উশিন্নদবসি অফবা খোঙথাং নত্তে ঃ আর এস এফ

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
থা অনী চুপ্না চত্থরকপা সি এ এফ এন্দ পি দি লেবরস ৱেলফেয়ার এসোসিয়সেনগী খোঙজং অসিদা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খঙশিন উশিন্নদবা অসি অফবা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)না ফোঙদোরক্লি।

আর এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরীনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, শিন্মীশিং থবক শুবা লেপ্পনা মরম ওইরগা মচা মশুশিংদি ঙসি ফাওবা লাইরিক লাইশু তমদনা লৈরি। ময়ুমগী কোললিক অমদি পিক্লিবা অঙাংশিংনা তম্নবা লাইরিক, স্কুল বেগ কয়া সরেন্দর তৌখিবা ফাওবা লৈখ্রে অদুবু গভর্ণমেন্টনদি ঙসি ফাওবা তাবিদ্রি। ফিভম অসিদা শিন্মীশিংনা লৌরকপা ফিরেপকী মতুং ইন্না চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা আর এস এফনা মপূং ফানা শৌগৎকনি।

এফ সি আই গোদাউনগী ৱাথোক অসি শিন্মীশিংগী অমদি মখোয়গী মচাশিংগী খল্লগা অথুবদা লোইশিনবিয়ু হায়জরবসু শেঞ্জাও পায়বা খূৎলিংবা শিন্মীশিংনা করিসু তৌবা ঙল্লরোই হায়বগী মতাগুম মনা তাদনা তুমিন্না লৈরি। শিন্মীশিংগী মচা মশুশিংদি মহৈরোয় নৎত্রবরা, মী নৎত্রবরা হায়না হংলদুনা পিক্লিবা অঙাংশিংনা লাইরিক তমজররোই, শিন্মী ওইজরগে হায়না লাউরিবা খোল্লাও কয়া অসি ঙসি ফাওবা তাবিবা লৈত্রি। মরম অদুনা সি এ এফ এন্দ পি দি লেবরস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন্না থা অসিগী ২৮ হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা চেল্লিবা পোৎচৈ পুবা ট্রকশিং থিংবগী খোঙজং চঙশিনগদৌরিবা অসিদসু আর এস এফনা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

## বেহিংগী চন্দ্রকীর্ত্তি পার্ক অমদি চিম্বাদিল ৱেটলেন্দ য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরে-ক্টোরেট ওফ এনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী থৌশিল মখাদা এফিয়ার্স ওফ বেনাইন সেন্টর (এ বি সি) অমদি দিস্কোভর মণিপুরনা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা ৱেটলেন্দ-ঈশিং তুঙবা মফমশিং থিজিনবা, য়েংশিনবগী লিশাংশিংনা চত্থরকপা থবক্কী মনুং চন্না বেহিংগী চন্দ্রকীর্ত্তি পার্ক অমসুং চিম্বাদিল ৱেটলেন্দ য়েংশিনখ্রে।

এ বি সিগী সেক্রেটরী সিঐচ জোয়কুমার শর্মনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈরিবা চিম্বাদিল ৱেটলেন্দ অসি মণিপুর ইতিহাসকা শাগোন্নরিবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী খোঙ্গুল লৈরিবা চন্দ্রকীর্ত্তি পার্কমক্তদা লৈবনি। পাৎ অসিগী পাক চাউবসি হেক্তর ১ (লৌ পরি অমরোম)দনি। নোর্থ লেটিচুদনা ২৪°৮′৫৪″ অদুগা ইষ্ট লোঙ্গিচুদনা ৯০°৩৫′ ৩৭″ নি। ষ্টেট আর্কিওলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা পার্ক অসিগী পাক চাউবা অসি ৱেটলেন্দ অসি য়াওরগা স্কোয়ার মিটর ৬০৭৫০ প্রোটেক্তেদ এরিয়া ওইনা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্টকী মখাদা ঙাক শেন্দুনা থল্লক্লি।

১৯৯৩ মার্চতা থোকখিবা ওর্দর অমনা ৱেটলেন্দ অমসুং পার্ক অসি ঙাক শেন্দুনা থল্লকখিবনি। মতম চূপ্পদা পার্ক অসিগী অতোঙবা মফম অমদগী নোংজুথা নত্তবা মতমদসু ইফুৎ মচা অমনা লেপ্তুনা ঈশিং পীবা অসিনা চিম্বাদিল ৱেটলেন্দ অসিগী মগুণ হেনগৎহনবদা নত্তনা পুথোকপা ঙমদ্রিবা অঙকপা পোৎশক অমা ওইনা লৈরি।

২০১৭ দিসেম্বর ১৯ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা লুচিংবা টিম অমনা হায়রিবা পার্ক অসি শঙ্গাখ্রবা ফাওবদা শাগৎলিবা মনুংগী বিল্ডিং অমদি মীয়াম্না য়েংনগদৌরিবা ইফুৎ মচা অদুগী অকোয়বগী শম্বল খাবা ফাওবা লোইশিন্দনা ঙসি ফাওবা লৈরম্বসি য়াম্না লাইবক থিবনি। পার্ক অমসুং ৱেটলেন্দ অসিনা অকোয়বা বোর্দর এরিয়াদা লৈবা মীয়ামগী সোসিও ইকোনোমিদা চাউনা মতেং ওইরিবনি লোয়ননা নোংমদি টুরিষ্ট স্পোর্ট অমা শোয়দনা ওইরক্কদবা মফম্নি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

## আই এল পি গাইদ লাইন এমেন্দ তৌবিয়ু

জিরিবাম, জনুৱারি ২৭ (জে এন এন)ঃ
হৌখিবা দিসেম্বর ৩১ দা থোকখিবা আই এল পি গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবা অসি য়েংলগা গাইদ লাইন অসি এমেন্দ তৌবিয়ু হায়না এদভোকেট কম সোসিয়েল ৱার্কর এ সুরেন্দ্রকুমার সিংহনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা হোম দিপার্টমেন্টকী পুক্নিং চিংশিল্লি।

জিরি ন্যুজ নেটৱার্ককী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, দিষ্ট্রিক্ট অসিগা থংননা লৈমিন্নরিবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীওই কয়া জিরিবাম কৈথেল অমসুং মরী মতা অশি অনাগা মরী লৈননা লাকপদা আই এল পি পায়দবা য়াদবনা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্নরি। অদুনা গাইদ লাইন অসি শেমদোকপা চুমগনি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা ওল জিরিবাম হিন্দু জগোরন এসোসি-য়েসনগী এদভাইজর প্রমোতেস দাস, য়ুনাইটেদ ক্লব জিরিঘাট অসামগী প্রসিদেন্ট স্বাদেশ সরকার অমদি ব্রদরস য়ুনিয়ন জিরিবামগী এদভাইজর কানুদত্তানচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
রোজর মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ইম্ফালনা নেস্নেল হেলথ মিসন মণিপুরগী ষ্টেট ব্লদ সেল অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মিদিসিন রিমস ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা হয়েং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প রিমস হোস্পিটালদা পাঙথোক্কদৌরি।

রোজর ইরোম মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ইম্ফালগী সেক্রেটরী ইরোম ওংবী চিত্রা দেবীনা ফোঙদোরকখিবদি লৈখিদ্রবা রোজর ইরোমগী চহী ২৮ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোক্নবা হোৎনবনি। মীয়াম্না খুদক্কী ওইনা খুদোংথিবা অমদি অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা অনা লায়েংগীদমক হোস্পিটালশিংদা ঈ ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি খরদা ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্নবগী পান্দমদা কেম্প অসি পাঙথোক-পনি। মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## কাদা লমদেং য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী লমদেং য়ুনিট হাংদোকখিবগা লোয়ননা মীওই ১৭ না শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমসু শেমখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লমদেং মখা লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা য়ুনিট অসি শেমখিবনি।

মীফম অদুদা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপঞ্জিৎ নিংথৌজম, ৱুমেন সোসাইটি লমদেংগী প্রসিদেন্ট খরিবম ওংবী জগোয়শাবী অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম ওংবী রাধেনা পূন্না থৌরম মপু ওইখি। নৌনা হাংদোকখিবা য়ুনিট অসিগী থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি খরিবম ওংবী জগোয়শাবি প্রসিদেন্ট, সৌবাম ওংবী নরায়নি অমদি খাইদেম ওংবী ঙাংবিতোন অনীমক ভাইস প্রসিদেন্ট, থোকচোম ওংবী অশাকিরন সেক্রেটরী জেনরেল, থৌনাওজম ওংবী অশা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী জেনরেল, চীংঙাংবম ওংবী অশা সেক্রেটরী ফাইনান্স, চীংঙাংবম ওংবী ইন্দিরা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ফাইনান্স, চীংঙাংবম ওংবী মোমোন সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন, ৱারেপ্পম ওংবী খোমদোম্বী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন, থৌনাওজম ওংবী দময়েন্তি সেক্রেটরী ৱুমেন এফিয়ার্স, থাংজম ওংবী সমা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ৱুমেন এফিয়ার্স, সনসম ওংবী জিল্লাঙম্বী সেক্রেটরী দ্রাইভ, অমসুং ওইনাম ওংবী দসোদা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী দ্রাইভনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি ময়াংলম্বম ওংবী প্রেমিলা, অসেম ওংবী জিবোতি, খুন্দ্রাকপম ওংবী তোম্বীস্না অমসুং ঙাসেপ্পম ওংবী ঙান্থোইনি হায়রি।

## নমফালোংদা কোরোনাভাইরসকী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

মোরে, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারদা কোরোনা ভাইরসকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। মণিপুরগী বোর্দর টাউন মোরেদগী ম্যান্মারগী নম্ফালোং কৈথেলদা চৎপা মীপুম খূদিংমক কোরোনাভাইরস লৈব্রা হায়না ম্যান্মার ওফিসিয়েলশিংনা ফিভর স্ক্রিনিং দিভাইস শীজিন্নদুনা চেক তৌবসু হৌখ্রে। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি থবক অমত্তা পায়খৎত্রি।

মোরেগা নক্নরিবা ম্যান্মারগী নম্ফালোং কৈথেল চঙফমগী ইমিগ্রেসন গেটতা তমু হোস্পিটালগী ডাক্তর য়াওবা টিমনা মোরেরোমদগী চঙলকপা মীওই খূদিংমক্তা ফিভর স্ক্রিনিং দিভাইস শীজিন্নদুনা চেক তৌবা ঙসিদগী হৌখিবনি। হায়রিবা স্ক্রিনিং দিভাইস অসিনা ১০০গী মথক্তা ফিভর (লাইহৌ) থেংনরবদি মীওই অদু নম্ফালোং চঙবদা অথিংবা পীগদৌরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ম্যান্মার ওফিসিয়েলশিংনা চিংনবা মীওই অমত্তা থেংনবদি লৈত্রি। ম্যান্মারগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপসু হৌখ্রে হায়না তমু হোস্পিটালগী মেদিকেল ওফিসার ডা. থুরানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা বোর্দর টাউন মোরেদা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংদগী চঙলকপা মীওইশিং কোরোনাভাইরস লৈব্রা লৈতব্রা হায়বদু চেক তৌনবা থবক পায়খৎপগী মমি তাবা উদ্রি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লেফ পার্টিশিংনা কন্সটিট্যুসনগী প্রিএম্বল পূন্না পামিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দে থৌরম নুমিৎ ঙরাং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লেফট পার্টিগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী প্রিএম্বল পূন্না পামিন্নদুনা ইন্দিয়াগী অপূনবা অমসুং অমত্তা ওইবগী শক্তম ঙাক্কনি অমদি লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক নুংশি চান্নবা অমনা অমগী থাজবা লাইনীং লাইশোল ধর্মদা অপনবা পীনদনা অমসুং মীওইবগী হক ঙাক্কনি হায়না ৱাশকখি।

লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মখা তাবদা লোকেল কম্মিটিশিংদসু প্রিএম্বল পামিন্নদুনা ৱাশকপগী থৌরম অসি পাঙথোকখি হায়না সি পি আই (এম) ষ্টেট সেক্রেটরী ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

## এনগীকর থৌরম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, জনুৱারি ২৭ (জে এন এন)ঃ
জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শীন্দুনা পাক্তক্না উ থাবগী দ্রাইভ অমসুং এনগীকরগী ৱাশক লৌবগী থৌরম কাউন্সিল অসিগী মল্টিয়ুটিলিটি কমপ্লেক্সতা লৈবা ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চিয়ারপার্সন এস শান্তি দেবী, এগজিক্যুটিভ ওফিসার এম সুরজিৎ সিংহ, কাউন্সিল্লর কে বিরকুমার সিংহ অমদি ৱার্দ মেম্বর ঐচ নবচন্দ্র সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। ই ও সুরজিৎ সিংহনা হায়, মরু ওইনা নেচরগী হোংলক্নিবা অসিদা ঐখোয়না উ চারা থাদুনা অকোয়বগী ফিভম ঙাক্নবা অমদি মহৌশাগী খল কায়দনা থম্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

চিয়ারপার্সন এস শান্তি দেবীনা হায়, এনগিকরগী থৌরম অমদি প্রধান মন্ত্রি যোজনাগী মখাদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ষ্টাফশিং, সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং, ৱার্দ মেম্বরশিং অমসুং হাউসিংগী বেনিফিসরিশিংনা শরুক য়াদুনা উ চারা থাবনি।

## ঙারোক মহাদেবগী ফাইরেন পঞ্চমি থৌরম

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৭ (এস এন এস)ঃ
চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দকসু য়াইরিপোক কেক্রুদা লৈবা ঙারোক মহাদেবগী চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ফাইরেন পঞ্চমিগী থৌরম থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্লগনি।

কেক্রু আইদিএল প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিগী সেক্রেটরী লোংজম দিজেন সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙারোক মহাদেবগী পঞ্চমিগী থৌরম অসিদা চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে। মীয়ামগী চখোক চৎশিন খুদোংচানবা কেক্রু খোইরোমলোমদগী লাকপা গারীশিং ঈশিংখোংদগী হেন্না চঙবা য়ারোই অমদি পেচিরোমদগী লাকপা গারীশিংনা মোইরাংলোক্তগী হেন্না চঙবসু য়ারোই হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৮-০১-২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু, মীগী মতেং পাংলুগনু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ চাং অমদা লৈ, ৩ ফগনি।

**বৃষঃ** খৎনবা, তোখাই তাবা, চরক চহিং নাইবা মতম্নি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লমতু চৎপা হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ অফবনি।

**কর্কটঃ** হকচাং, ৱাখল নুংঙাইরগনি। হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংলগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন থেংনবা, খৎনবা, তোখাই তাবা মতম্নি। অরানবা তাগনগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই, অরুবা খরা পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** শেল ফংবা, চৎপা, মীৱা মীশা তাবা, য়েক্নবা হেনগৎপা মতম্নি। কল্লকপা য়াম্মী। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩, ১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। লমতু চৎপা কান্নগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫, ১৬ অফবনি।

**বৃশ্চিকঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।


**ধনুঃ** অশোক অপন খৎনবা, শেল চৎপা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। মীগী মতেং পাংলুগনু। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ খরা ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** চরক চহিং নাইবা, অপনবা পীবা মতম্নি। অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ ফত্তে।

**কুম্ভঃ** হকচাং, ৱাখল ফগৎলগনি। পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ ফগনি।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।


## / নুংশংগী ওঝাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (Phone No. 8014023792/6009147645) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা – Maibam Kerani Meitei (60 )
Kongpal Chanam Leikai

SL/5674/5 +(1M)





